# য়ু কেদা ঈ য়ুগী রিফরেন্দম পাঙথোকখ্রে




লন্দন, জুন ২৩ (এজেন্সী) :
বৃটন মিলিয়ন কয়ানা য়ু কেগী মীয়াম্বু অমগা অমগা নাকপাক তানহল্লিবা রিফরেন্দম অমদা লৈবাক অসি য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী শরুক অমা ওইনা লৈখিগদ্রা হায়বগী মতাংদা ৱারেপ অমা লৌনবা ঙসি ভোট থানরি।

রেকোর্দ অমা ওইনা ভোটর মিলিয়ন ৪৬.৫না ঙসিগী রিফরেন্দম অসিদা শরুক য়ারি। রিফরেন্দম অসিদা ৱাহং অমখক ভোটরশিংগী মফমদা হংলি। ৱাহং অদুদি : "য়ুনাইটেদ কিংদমনা মখা তানা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী মেম্বর অমা ওইনা লৈখিগদ্রা নৎত্রগা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন থাদোক্লগদ্রা?" হায়বসিনি।

লৈবাক অসিগী মীয়ামগী ৱাখলদা খেন্নবা মোতশিং ফোঙদোক্লরিবা রিফরেন্দম অসিনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী চহী ৬০গী পুৱারীদা খ্বাইদগী চাউবা ইমর্জেন্সীগী ফীভম অমা লাকহনখ্রে।

ভোট অসিদা নাকপাক তানবা মায়কৈ অনীগী মরক্তা অমা ওইনা য়ু কেনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদা মখা তানা লৈথবগী ৱাফমবু শৌগৎপা কেম্পেইন অদু বৃটিশ প্রাইম মিনিষ্টর দেভিদ কেম্মরন অমসুং ওপোজিসন লেবর পার্টিগী লিদর জেরিমি কোর্বিননা লূচিংদুনা শৌগৎখি।

অমরোমদা, য়ু কেনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদগী তোকপগী ৱাফম শৌগৎতুনা চথরকখিবা কেম্পেইনবুনা লন্দনগী হান্নগী মেয়র কঞ্জার্ভেটিব এম পি বোরিস জোন্সননা শৌগৎখি।

পোলিং ষ্টেসনশিং লোকল মতমদা অয়ুক পুং ৭ (জি এম টি ৬.০০) তা হাংখি অমসুং নুমিদাং পুং ১০ (জি এম টি) তাবদা লোইশিনখি। প্রাইম মিনিষ্টর কেম্মরন অমসুং মহাক্কী লোয়নবী সমন্থানা ঙসি অয়ুক অঙনবদা লন্দনগী ৱেষ্টমিনষ্টর সেন্ট্রেল হোলদা মখোয়গী বোলোটশিং থাদখি।

স্কোটলেন্দগী অহানবা মিনিষ্টর নিকোলা ষ্টর্জিওননা গ্লাসগোদা লৈবা পোলিং ষ্টেসন অমদা ঈ য়ুদা মখা তানা লৈবগী ৱাফম শৌগৎতুনা ভোট থাদখি। "ঐহাক্না মসি কোক অমসুং থম্মোয় অনী পুল্লগা লৌখিবা ৱারেপনি, মরমদি স্কোটলেন্দগী ওইনদি ঈ য়ুদা লৈবসিনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ" হায়না ষ্টর্জিওননা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।

নোংলৈ নুংশিৎনা মরম ওইদুনা লন্দন অমসুং সাউদর্ন ইংলেন্দগী অতৈ মফমশিংদা ভোট থাদনবগী চাং নেম্বা য়াই হায়না পানখি।

বৃটেনদা হন্দক চাংদম্নবা য়াবা ভোট মশীং ৱাৎপনা মরম ওইদুনা রিজল্টশিং থাজনিঙাই ওইদবদগী ওফিসল এক্সিট পোলশিং লৈতে হায়রি। অদুম ওইনমক পোলিংগী রিজল্টশিং অদু বেলোটশিং ক্লোজ তৌরবা মতুং পংকুই কুইদনা ফোঙদোক্কনি হায়রি।

# ক্লষ্টর বোম শীজিন্নখি হায়বা ৱাফম শ্রীলঙ্কানা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে



কলম্বো, জুন ২৩ (এজেন্সী) :
মিদিয়াগী সেক্সন খরদা শ্রীলঙ্কাগী সিবিল ৱারগী অরোইবা ষ্টেজশিংদা ক্লষ্টর বোমশিং শীজিন্নখি হায়বা উৎপা ফোটোগ্রাফ খরা কদাই ফাওবা চুম্বগে হায়না শ্রীলঙ্কা গভর্ণমেন্টনা হংখ্রে।

'দ গর্দিয়ন'না ফোটোগ্রাফশিংদুগা লোয়ননা ফোঙখিবগা মরী লৈননা 'দ হিন্দু'না হংখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুমদা শ্রীলঙ্কাগী কেবিনেটকী স্পোক্সপার্সন রাজিথা সেনারাটনেনা ঙক্লদুনা হংখি, "ফোটোগ্রাফশিং অসিদা উৎলিবা মফমশিং অসি নখোয়না করম্না শ্রীলঙ্কাদা লৈ হায়বা খঙলিবনো? বোমশিং অসি শ্রীলঙ্কা আর্মিগীনি হায়বসি নখোয়না করম্না হায়রিবনো? করি বেসিসতা হায়রিবনো? ক্লষ্টর বোমশিং শীজিন্নরম্বা য়াই। তৌইগুম্বসুং বোমশিং অদু আর্মিনা শীজিন্নখিবনি নৎত্রগা এল টি টি ঈ (লিবরেসন টাইগর্স ওফ টামিল ইলাম) ফোর্সশিংনা শীজিন্নখি হায়বসি নহাক্না করম্না খঙবা ঙম্বগে?"

খুৎলাইশিং অদু নো ফায়র জোনদা ক্লষ্টর বোমশিং দিপ্লোই তৌবা ঙম্বগী কেপেবিলিটি লৈ হায়না থাজনবা শ্রীলঙ্কাগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা শীজিন্নরম্বা য়াই হায়বা ন্যুজ রিপোর্টকী মতাংদা হংবদা ডো. সেনারাটনেনা হায়খি, "করম্না মখোয়না মদু হায়রিবনো? "এল টি ট ঈ'না মদু তৌরম্বা য়াই।"

মিনিষ্টরনা ফোটোগ্রাফশিং অদু য়ুনাইটেদ নেসন্স হ্যুমেন রাইটস কাউন্সীল (য়ু এন ঐচ আর সী)গী হৌজিক চথরিবা সেসন্সগা চাননা হৌজিক করম্না ফোঙলিবনো হায়না হংখি। সেসন অসিদা শ্রীলঙ্কাগী রিকোন্সিলিয়েসন অমসুং একাউন্টেবিলিটিগী মরমদসু খন্ন-নৈনগদৌরিবনি। "দিমাইনিং তৌবদা চেন্নবা মীওইশিং অদুনা থবক তৌরিঙৈ মতমদুদা ক্লষ্টর বোমশিং থেংনবগী ৱাফমদু তন্নমগদবনি। হৌজিক, চহী কয়ামুক্কী মতুংসিদা ৱাফম অসি করম্না পুথোরক্লিবনো?

প্রসিদেন্ট মহিন্দা রাজাপকশানা লূচিংবা মতমদুগী রেজিমনা লমন খুম্বগী এক্সন লৌখৎলক্কনি হায়না কিবদগী বোম থেংনবগী ৱাফমদু ফোঙদোকখিদবনি হায়বসিগী মতাংদা ডো. সেনারটনেনা য়েৎখি মদুদি, অসিগুম্বা থেংনবগী পাউ পীবা মতমদা রাজাপকশাগী রেজিমনা কনামত্তবু পেনাল্টি পীবা ঙম্লল্লোই।

# নোর্থ কোরিয়াগী অনৌবা মিসাইলনা পেসিফিক্তা লৈবা য়ু এসকী বেজশিংদা ষ্ট্রাইক তৌবা ঙমই : কিম জোং-উন

পিয়োংয়াং, জুন ২৩ (এজেন্সী) :
নোর্থ কোরিয়াগী লিদর কিম জোং-উননা মহাক্কী লৈবাক্না পৱারফুল ওইরবা অনৌবা মিদিয়ম রেঞ্জ মিসাইল অমা মায় পাক্না চাংয়েং তৌবা ঙম্লিবসি পেসিফিক্কী মফম কয়াদা লৈরিবা য়ু এসকী মিলিটরি বেজশিংদা হকথেংননা থ্রেট অমনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সীলনা ঙরাং করম্বা মওংদা নোর্থ কোরিয়াগী থৌওংগী পাউখুম পীগদগে হায়বগী মতাংদা খন্নরিঙৈদা নোর্থ কোরিয়ন লিদরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।



মশামক্না য়ুমশকৈশ নুমিৎকী মুসুদন মিসাইল টেষ্ট অদুবু মোনিটর তৌখিবা কিমনা "অচৌবা থৌদোক" অদুনা নোর্থকী প্রি-ওম্পটিভ ন্যুক্লিয়র এটেক কেপেবিলিটি শীংথানিঙাই ওইনা হেনগৎহল্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে হায়না ওফিসল কে সী এন এ ন্যুজ এজেন্সীগী রিপোর্টনা হায়খি।

"পেসিফিক ওপরেসন থিয়েটরদা ঐখোয়না অমেরিকানশিংবু মপুং ফাবা মওংদা এটেক তৌনবগী শোইফদ্রবা কেপেবিলিটি লৈ" হায়না কিমগী ৱারোল পল্লদুনা ন্যুজ এজেন্সী অদুনা হায়খি। মুসুদননা থুংবা ঙম্বগী রেঞ্জ অসি কিলোমিটর ২,৫০০ অমসুং কিলোমিটর ৪,০০০গী মরক্তনি হায়না থিওরিদা লৌনৈ। অপ্পর রেঞ্জদা গুৱাম ফাওবদা লৈরিবা য়ু এস মিলিটরি বেজশিং কোনবা ঙমই হায়রি।

হন্দক থা খরা অসিদা চাংয়েং কয়া মায় পাকখিদ্রবা মতুংদা নোর্থ কোরিয়ানা য়ুমশকৈশ নুমিৎতা মুসুদন অনী চাংয়েং তৌখি। মিসাইল অনীদুগী মনুংদা অমদি কিলোমিটর ৪০০ শান্না পাইদুনা সী ওফ জপানদা তাখি।

কে সী এন এনা হায়খি, মিসাইল অদু ফুল রেঞ্জ ফংবা ঙম্নবা অৱাংবা এঙ্গল অমদা কাপখি অমসুং মদু খ্বাইদগী ৱাংবা ওসনা কিলোমিটর ১,৪০০ হেন্না ৱাংখি।

চাংয়েংদুগী মায় পাকপা অদুনা ঐখোয়গী ষ্টেটকী ন্যুক্লিয়র এটেক কেপাসিটি হেন্না মপাঙ্গল হাপকৎলে হায়না কিমনা হায়খি।

মিসাইল চাংয়েং অদুবু ইন্টরনেসনল কম্ম্যুনিটিনা কন্দেম তৌখি অমসুং মদুদা করম্না রেস্পোন্দ তৌগদগে হায়বগী মতাংদা য়ু এন, সিক্যুরিটি কাউন্সীলনা অকুপ্পা মীফম অমা ক্লোজ দোর ওইনা পাঙথোকখি।

হৌজিক হৌজিক কাউন্সীলগী প্রসিদেন্সি পায়রিবা ফ্রান্সকী দেপ্যুটি য়ু এন এম্বেসেদর এলেক্সি লামেকনা মীফম অদু লোইরবা মতুংদা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, য়ু এনগী রিজোল্যুসনশিংবু য়াম্না ময়েক শেংনা খোঙ্গাউনরিবা চাংয়েং অদুবু হকচিন্না লৌবা অমসুং য়াদবা উৎপদা কাউন্সীলগী মেম্বর খূদিংমক মোত অমত্তা ওই।

হৌজিক লৈরিবা য়ু এনগী খোঙথাং কয়ানা নোর্থ কোরিয়াবু বেলিষ্টিক মিসাইল টেক্নোলোজি শীজিন্নবদা অথিংবা থমই।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটস, নেটো অমসুং জপাননসু চাংয়েং অদুবু কন্দেম তৌখি। সাউথ কোরিয়ানা পিয়োংয়াংগী মথক্তা হেন্না কনবা সেঙ্কসনশিং থম্নবা তকশিল্লগনি হায়না চেকশিন্না ফোঙদোকখি।

য়ুমশকৈশ নুমিৎকী মায় পাকপা অদু মমৈথংদা য়ু এসকী মপুং লমদা ন্যুক্লিয়র ষ্ট্রাইক অমা চথবা ঙম্বা ইন্টরকন্টিনেন্টেল বেলিষ্টিক মিসাইল (আই সী বি এম) অমা দিভলপ তৌবগী পান্দম লৈবা খুৎলাই প্রোগ্রাম অমগী অচৌবা খুমাঙ চাউশিনবা অমনি হায়না এক্সপার্টশিংনা চেকশিন ৱারোল পীখ্রে।

# সিরিয়াগী অশাদনা অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর খনখ্রে

দামাস্কস, জুন ২৩ (এজেন্সী) :
সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বাশর অল-অশাদনা ঙরাং ইলেক্ট্রিসিটি মিনিষ্টর ইমাদ খামিসপু লালনা মাঙ-তাকহল্লবা লৈবাক অদুগী অনৌবা প্রাইম মিনিষ্টর হাপখ্রে।



প্রসিদেন্ট অশাদনা খামিসতা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অমা শেম্নবগী থবক শিন্নখি হায়না ওফিসল ন্যুজ এজেন্সী সানানা হায়খি।

লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা খামিসনা নৌনা মিনিষ্টরশিং হাপকদৌরিবশিংগী প্রপোজেল অমা প্রসিদেন্টদা পীশিনগদবনি।

চহী ৬৪ শুরবা ইঞ্জিনিয়র অদুনা কুমজা ২০১২দগী ফম অদুবু পায়রকখিবা ৱাএল অল-হলকিগী মহুৎ শিনগদৌরিবনি।

অশাদকী বাথ পার্টি অমসুং মসিগী মীচংশিংনা পার্লিয়ামেন্টরি মীখলদা সিট মশীং য়াম্না ফংখিবদুবু মালেমগী লৈবাক কয়ানা নমথাক্লি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং থা ২ লৈরগা অহোংবশিং অসি লাক্লিবনি।

কুমজা ২০১১দগী খামিসনা সিরিয়াগী মিনিষ্টর ওফ ইলেক্ট্রিসিটি ওইনা গভর্ণমেন্টবু সার্ভ তৌখি। শিনফম ওইনসু মহাক ইলেক্ট্রিকেল ইঞ্জিনিয়র অমনি।

হৌখিবা কুমজা ২০১২গী মার্চতগী মহাকপু য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন্না অথিংবা থমখি। য়ুনিয়ন অসিনা মহাকপু রেজিম অদুনা মীচম মীয়াম্বু তমথিবা মওংদা নমথবদা শরুক য়াখি হায়না মরাল শীরি।

সিরিয়াগী মুক্নবগী ফীভম অদু কুমজা ২০১১দা রিফোর্ম দিমান্দ তৌরদুনা পাক শন্না প্রোটেষ্টশিং পাঙথোকপগা লোয়ননা হৌখি। মদুদগী ঈৱাংশিং অদু মীশি-মীনা থোকপা সিবিল ৱার অমা ওইরকখিবগা লোয়ননা লাল অদুদা মীওই ২৮০,০০০ শিখ্রে।

গভর্ণমেন্টকী মতুং ইন্না, ক্রাইসিস অদু হৌখিবদগী লৈবাক অদুদা ইলেক্ট্রিসিট পুথোকপগী চাং তঙ্খায় অমা হেন্না হন্থরকখ্রে হায়রি।

# কম্বোদিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর হেলমেট উপ্তবগী ফাইন থিহনখ্রে



নোম পেন, জুন ২৩ (এজেন্সী) :
কম্বোদিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর হন সেন হৌখিবা চয়োলদা লৈবাক অদুগী সাউথ-ৱেষ্টর্ন কো কোং প্রোভিন্সতা হেলমেট উপ্তুনা মোটোরবাইক থৌখিবগীদমক্তা ফাইন থিহনখ্রে হায়না চাইনাগী সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সীনা ফোঙদোক্লি।

প্রোভিন্স অদুগী স্রে এম্বেল দিষ্ট্রিক্টকী ট্রাফিক পুলিস ওফিসর ফাষ্ট লেফটনেন্ট সন নেমনা ইস্যু তৌবা জুন ১৮গী তারিখ থাবা ট্রাফিক স্লিপ অমগী মতুং ইন্না, হন সেন কৌবা মোটোরবাইক থৌবা মীওই অমা মহাক্না মোনিটর তৌখি। মহাক্না ট্রাফিক লোগী আর্টিকল ৬ খোঙ্গাউনখি অমসুং মদুগীদমক্তা রিয়েল ১৫০০০ (য়ু এস দোলর ৩.৭৫) ফাইন তৌখি।

"ফাইনদু থিবা নোম পেনদা চৎপীয়ু" হায়না মহাক্না হন সেনদা হায়খি হায়রি।

ঙরাং অথেংবদা হন সেননা মহাক্কী ফেসবুক পেজদা ইখি মদুদি, মহাক্না ট্রাফিক লো থুগাইবগী ফাইন থিবগী ৱাফমদু য়ারে অমসুং মশাগী ফাইন অমসুং মোটোরবাইক মপুদুগী ফাইন মহাক্না থিরগনি। বাইক মপুসু চপ মান্নবা ফাইন থিগদবনি।

"ঐহাক্না মীয়াম মমাঙদা ফোঙনা এপোলোজাইজ তৌরবসু পুলিসনা ঐহাকপু ফাইন অদুম তৌগনি হায়বসি ঐহাক্না মাঙজৌননা খঙখ্রবনি, মরমদি ঐহাক্না অশোয়বা অমা তৌখ্রে" হায়না মহাক্না হায়খি।

"প্রাইম মিনিষ্টর য়াওনা মতিক মঙম লৈরবা মীওইশিংবু অকিবা অমত্তা য়াওদনা অমগা অমগা খেন্নবা থমদনা লৈবাক্কী লো চৎনহল্লিবা কো কোং প্রোভিন্সকী স্রে এম্পেল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসপু ঐহাক্না থাগৎলি" হায়না হন সেননা হায়খি। প্রাইম মিনিষ্টর হন সেননা ফাইন থিবগী ৱাফম অসি মহাক্না হৌখিবা জুন ১৮দা কো কোং প্রোভিন্সতা খোঙচৎ অমা চৎলুবদগী লাকখিবনি।

খোঙচৎ অদুগী মনুংদা মহাক্না খঙহৌদনা লম্বীগী নাকলদা লৈবা মোটোর টেক্সি ড্রাইভর অমগী মনাক্তা চৎখি অমসুং মোটোরবাইক অদু মদুগী মপুগা লোয়ননা নুংঙাইথোকপা ওইনা হেলমেট উপ্তুনা মিটর ২৫০ রোম থৌখি।


# পাকিস্তানদা কৱালি শকপা অমা কাপ্তুনা হাৎখ্রে

করাচি, জুন ২৩ (এজেন্সী) :
পাকিস্তানগী খ্বাইদগী ফাওরবা সুফি ম্যুজিসনশিংগী মনুংদা অমা ঙরাং হিথাংফম সিটি করাচিদা মোটোরসাইকল তোংবা শকখঙদবা মীওই কাঙবু অমনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে। পুলিসনা থৌদোক অদুবু টেররিজমগী থবক থৌওংনি হায়খিবগা লোয়ননা মীয়াম্না থৌদোক্তুদা থম্মোয় শোক্লা পেন্দবা ফোঙদোক্লখ্রে।

মশাগী চহী ৪৫ শুরবা অমজাদ সবরি কৌবা সুফি ম্যুজিসন অদুনা সিটি অদুগী ইষ্টর্ন কোরাঙ্গি এরিয়াদা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদগী কার অমা তোংদুনা টেলিভিজন ষ্টুদিও অমা তম্না চৎলিঙৈদা মোটোরসাইকল অমা কার অদুগী নাকলদা চঙশিল্লগা খামখি অমসুং মখোয়না নোংমৈ কাপখি হায়না ফারুক সঞ্জারানি কৌবা পুলিস ওফিসর অমনা এ এফ পিদা হায়খি।

শকখঙদবশিংনা নোংমৈ কাপ্পা অদুদা সবরিদা নোংমৈ মরু মঙা পানখি অমসুং মহাক অবাসি শহীদ হোস্পিটালদা শিরে হায়না লাউথোকখি। সলিম সবরি কৌবা মহাক্কী খোঙলোয় অদুনা অরুবা ফীভমদা শোক্লে হায়না হোস্পিটালগী ছোর্সনা মখা তাখি।





"মদু অতম্ননা টার্গেট তৌরগা হাৎপা মীহাৎনি অমসুং টেররিজমগী থবক থৌওং অমনি" হায়না মুকাদাস হাইদর কৌবা সিনিয়র পুলিস ওফিসর অমনা সস্পেক্টশিংগী ওইবা য়াবা মশক মমিংশিং পনদবীদা হায়খি।

সবরি অসি ইস্লামগী সেক্ট অমা ওইরিবা সুফিজমগা য়াম্না নক্না মরী লৈনবা ম্যুজিক্কী মওং কৱালি শকপা মীওইনি। টালিবানগুম্বা ইস্লাম লাইনিং লাইশোলদা হকচিনবা ৱাখল চেনবা গ্রুপশিংনা সুফিজমবু অশেংবা লাইনিং লাইশোনদগী নাথৈরবনি হায়না লৌই।

হন্দক চহী খরা অসিদা টালিবান অমসুং অতৈ ইস্লামিষ্ট গ্রুপশিংনা সুফি মোস্কশিং অমসুং লাইগী খুভমশিংদা অচৌবা এটেক কয়া চথখি। এটেকশিং অদুগী মনুংদা পনবা য়াবা অচৌবা এটেক অমদি কুমজা ২০১০দা লাহোরদা লৈবা দাটা দারবারগী খুভমদা চথখিবা এটেক অসিনি। বোমগী এটেক অদুদা মীওই ৪০ হেন্না শিখিবনি।




HL-B/3146/18/05-17/06


## EMPLOYMENT NEWS

### AIR INDIA LIMITED RECRUITMENT 2016 – 10 FLIGHT DISPATCHER VACANCY – LAST DATE 15 JULY

**Air India Limited Recruitment 2016**
Air India Limited invites application for the post of 10 Flight Dispatcher for SC/ST/OBC Candidates on contract basis. Apply before 15 July 2016.
**Job Details :**
**Post Name :** Flight Dispatcher
**No. of Vacancy :** 10 Posts
**Pay Scale :** Rs. 49255/- (Per month)
**Eligibility Criteria for Air India Recruitment :**
**Educational Qualification :** 10+2 or an equivalent examination with Physics & Maths from a recognized Board/University and DGCA approved Dispatcher License and RT license.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** 40 years (As on 01.06.2016)
**Age Relaxation :**
**For OBC Candidates :** 3 years
**For SC/ST Candidates :** 5 years
**Job Location :** All India
**Selection Process : Selection will be made on Personal Interview.**
**How to Apply Air India Vacancy :** Interested candidates may apply in prescribed application form along with photocopies of relevant documents send to Alliance Air Personnel Department Lufthansa Hangar Building, adjacent to the Office of ED (NR),Air India Limited, Terminal -1B, IGI Airport, New Delhi – 110037 on or before 15.07.2016.
**Important Dates to Remember :**
**Lats Date for Submission of Application :** 15.07.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement & Application Form Link :** http://www.airindia.com/writereaddata/Portal/career/282_1_Advertisementforflightdespatcher.PDF

### AIR INDIA LIMITED RECRUITMENT – 69 CO-PILOT (P2) VACANCY – LAST DATE 15 JULY 2016

Air India Limited invites application for the post of 69 Co-Pilot (P2). Apply before 15 July 2016.
**Job Details :**
**Post Name :** Co-Pilot (p2)
**No. of Vacancy :** 69 Posts
**Pay Scale :** Rs. 25000/- (Per month)
**Eligibility Criteria for Air India Recruitment :**
**Educational Qualification :** 10+2 from a recognized Board/University.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** 45 years As on 01.06.2016
**Age Relaxation :**
**For OBC Candidates :** 3 years
**For SC/ST Candidates :** 5 years
**Job Location :** All India
**Selection Process :** Selection will be made on Psychometric Test & Simulator Proficiency Assessment Check (SPAC) test merit.
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs. 3000/- through Demand Draft drawn in Favour of "Airline Allied Services Limited", Payable at Delhi. SC/ST candidates are exempted from the payment of application fee.
**How to Apply Air India Vacancy :** Interested candidates may apply in prescribed application form along with photocopies of relevant documents send to Alliance Air Personnel Department Lufthansa Hangar Building, adjacent to the Office of ED (NR), Air India Limited, Terminal -1B, IGI Airport, New Delhi – 110037 on or before 15.07.2016.
**Important Dates to Remember :**
**Lats Date for Submission of Application :** 15.07.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement & Application Form Link :** http://www.airindia.in/writereaddata/Portal/career/283_1_AdvertisementforCoPilot.PDF

### AIR INDIA LIMITED RECRUITMENT – 135 CUSTOMER AGENT & HANDYMAN VACANCY – WALK-IN-INTERVIEW 01 &02 JULY 2016

Air India Air Transport Services Limited (AIATSL) invites application for the post of 135 Customer Agent & Handyman. Walk-in-Interview 01 & 02 July 2016.
**Job Details :**
**Post Name :** Customer Agent
**No. of Vacancy :** 35 Posts
**Pay Scale :** Rs. 14610/- (Per month)
**Post Name :** Handyman
**No. of Vacancy :** 100 Posts
**Pay Scale :** Rs. 11040/- (Per month)
**Eligibility Criteria for Air India Recruitment :**
**Educational Qualification :**
**For Customer Agent :** Graduate in any discipline / Faculty from a recognized university with knowledge of basic computer operation and one years experience in any of the areas or combination thereof, of fares, reservation, ticketing, computerized passenger check-in/ cargo handling area with any airline or Ground Handling agency.
**For Handyman :** SSC/10th standard pass with minimum experience of one years in any of the areas or combination thereof, of Terminal Functions, Ramp Functions like Baggage / Cargo /Loading / Unloading and Aircraft Cabin Cleaning area with any Airline or Ground Handling Agency. And Must be able to read and understand English Language . Knowledge of Local & Hindi languages.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :** As on 01.07.2016
**For Customer Agent :** 30 years
**For Handyman :** 28 years
**Age Relaxation :**
**For OBC Candidates :** 3 years
**For SC/ST Candidates :** 5 years
**Job Location :** Mumbai ( Maharashtra)
**Selection Process :** Selection will be made on Group Discussion & personal interview.
**Application Fee :** Candidates have to pay Rs. 500/- through Demand Draft drawn in Favour of "Air India Air Transport Services Limited " payable at Mumbai. No fees is to be paid by Ex-servicemen / candidates belonging to SC/ST communities.
**How to Apply Air India Vacancy :** Interested candidates may appear for interview in prescribed application form along with original documents, photocopies of relevant documents & demand draft at the time of interview.
Venue of Interview : Systems & Training Division 2 nd floor, GSD Complex, Near Gate No-5, Sahar, Andheri-E, Mumbai – 400099.
**Important Dates to Remember :**
**Date of Interview :** 01 & 02.07.2016 at 09:00 AM
**Important Links :**
**Detail Advertisement & Application Form Link :** http://www.airindia.in/writereaddata/Portal/career/279_1_caandhandyman.pdf